Tuesday, February 14, 2017, Imphal

HUEIYEN LANPAO

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মমল কাখৎলক্লিবা লায়রবগী ভোট

ঙরাং, ফেব্রুৱারি ১৩, ২০১৭- মার্চ ৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদা মীরেপ ওইনিংবশিংগী মীরেপ-চে পীশিনবা লাকপশিংগী গাড়ীশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিসতা থোমজিন্নরকখি। অঙকপা কুম্মৈ অমনি। ইকনমিক ব্লোকেদ হায়বা তমথীখ্রবা অন্দোলন'দু মখা চত্থরি, নুমীৎ ১০৫ শুজিনখ্রে, খ্বাইদগী শাংবা ইকনমিক ব্লোকেদ অমগী রেকোর্দ শেম্লনবা হোৎনরি, ইম্ফালগী (নত্তে মণিপুরগী) পেট্রোল পম্প অমত্তা হাংদে হায়বা ৱাখল কাউথোকখি। ঐতা নত্তে, কুম্মৈদুবু উরুরবা অদোমসু শোয়দনা কাউগনি। হায়নবদু চুম্মী- মণিপুরদদি ইলেক্সন হায়বসি অচৌবা মেলা (ফেষ্টিবেল) অমগুম্না লৌনৈ। কুম্মৈদা কুম্মৈনি। নোমিনেসন ফাইল তৌবা চৎপদবু- মীয়াম হৌদুনা চৎপগী করি মথৌ তাবগে? কান্নদবা থবক্লি খঙনা তৌরিবনি পুম্নমক। মরমদি, মখোয় খঙই- মীয়াম অসিদি অপঙবনি। মীরেপ-চে পীশিনবা চৎপদসু অসুক য়াম্না মতুং ইল্লবসিনদি, শোয়রোই মানা কাখ্রনি। কাগদবা মীরেপ অসিগী মী ওইহৌবনা চুম্লনি, নামৈ-শেলসু মফঙবা, অমনবু কারসু অমনবু কাখ্রসু করি খেৎনৈ ঐঙোন্দা...? অউবনা ৱাখল অসি খনগনি- মমল হেন্না পীদুনা ভোট লৈবা কেন্দিদেট খুদিংমক্না খনবা ৱাখলনি।



মতম খরগী মমাঙদা লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা, মৈ হৌনা চাকখিবা লুরবা ইস্যু কয়া ইলেক্সনগী প্লেটফোর্মদা কনানসু ঙাঙনখিদরে। মণিপুরগী পোলিটিক্সতগী পোলিটিকেল ইস্যু মাঙখরে। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিগী খ্বাইদগী লাইবক থীবদি- লমদমসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা য়েলহৌমী ফুরুপ অনীগী মরক্তা কানশিন্নবা য়াদবা লৈই অমা চিংনবা, শম্বল অমা খানবা হোৎনরকপগী ইস্যু অমনা ইলেক্সনগী ইস্যু ওইহন্নবা হোৎনরকপা অসিনি। ইস্যুসিদা য়ুম্ফম ওইরগা অমনা অমবু হুন্নবা- চৈনবা অসিনা পোলিটিকেল কনভেন্সন, কনফরেন্স, মীটিং কয়াগী মরুওইবা শক্তম ওইরকপা, অফবা লৈঙাক, চাউখৎ থৌরাং অমদি মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং- থৌশিলগী ৱাফম তুংওইনখিবা... মসিনি ঐখোয়না খ্বাইদগী নুংনাংনিংঙাই ওইরিবদি।

অসিগুম্বা চিরবা তানফম অসিদা, মণিপুরগী সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা মীখল য়াওদনবা ফিরেপ লৌখিবা, অচুম্বা/অফবা ৱারেপ অমরা? পুম্নমক্না হংনরি। সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন হায়বসি কনাগীদমক লিংবনো? কনানা মেম্বর ওইবনো? লিংখৎপই পান্দম করিনো? মতম চুপ্পদা পোলিটিক্সতগী লাপ্না লৈবা ঙম্লদ্রা? ঙসি বোয়কোট তৌরিবা ইলেক্সনসিনা ইলেক্ট তৌরক্কদৌরিবা মীহুৎশিংদুনা শেম্লক্কদৌরিবা লৈঙাক (গভর্ণমেন্ট) অদুগা মরী শুক্লৈ লৈনদনা লৈবা য়াগদ্রা? মীহুৎশিংসি খনবদা ঐখোয়গী খুৎ য়াওখিদে, ঐখোয় ভোট থাদখিদে, মীখল নুমীৎতা ঐখোয় ৱাকৎ মীফম ফমদুনা লৈখি, লৈঙাকসিগী অফ-ফত্তা ঐখোয় খঙদে, মীয়ামসিনা খঞ্জবনি... হায়দুনা খুৎ হামদুনা লৈথোক্লবা, সোসাইটি অদু লিংলুবগী ৱাহন্থোক লৈখিগদবা? মীখল বোয়কোট তৌদুনা শরুক য়াদবদগীদি মীখলসিদা য়াওশিল্লগা, মীখল চুম্না তৌহন্দুনা অফবা মীরেপ খল্লগা অফবা লৈঙাক শেম্বদা শরুক য়ারম্বদুনা হেন্না ফবা ৱারেপ অমা ওইরম্লোইদ্রা? ইতিকপুদি নৎচদে হঙ্গৎচনিংলুবদি থম্মোয়সিনা, থম্মোয়সিগী পাউদম ওইনা।

হঙ্গৎচনিংলুবা ৱাফমসি, ৱাখল ওইনতা লৈগদবা ওইথোক্লরোইদা ৱাফম হায়বদুদি নত্তেকো। ঐখোয় য়ুল্লোন্নবা 'মিজোরাম'গী য়ং মিজো এসোসিএসন (ৱাই এম সী)- অহিংবা খুদম অমনি। 'ৱাই এস সী' গী খোঞ্জেল মিজো-মীয়ামগী খোঞ্জেলনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি, দেমোক্রেটিক ওইনা কনাগুম্বা অমনা মীখলদা মীরেপ ওইনিংলবা, ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনরা, পার্টি অমই মরুমদরা অথিংবা পীদে কনামত্তনা। অদুবু, য়ুমথোঙ খুদিং চঙদুনা হাউস-কেম্পেয়ন তৌবা, মরন্নাই ওইনা ভোট খোম্বা, ভোটরশিংগা উনবা- ৱাই এম সী'না অয়াবা পীদে। কেন্দিদেটশিংনা করিগী মীরেপ ওইবা পাল্লিবা, করি তৌগে খল্লিবা, ৱাখল অদু করম্না থবক ওন্দৌরিবা... ৱাই এম সী'না শিনবা মীফমদা, মীয়াম মাঙদা লাউথোকহনগনি। কনাদা ভোট পীগদগে, মীয়ামদুসু লেপহনগনি। অমেরিকান মোদেল ওফ দেমোক্রেসিনি। ভোটকা শেলগা ওন্নবা- করিনো খঙদে মীয়াম্না। মওংসিমক নৎত্রবসু, ফ্রি-ফেয়র-করপসন ফ্রি ইলেক্সন 'সিক্কিম'দসু থেংনবই ৱারী তায়। মণিপুরগী ইলেক্সন-প্রাক্টিসকী ৱারী অঙকপা অমগা লোয়ননা তায়। তারম্লোই খন্না লীজবা নত্তে। কাউজল থীবা মীওইবনি, নীংশিংনবা হায়'দুনি।

ইলেক্সনগী ৱাহন্থোক লৈরক্তবা, দেমোক্রেসি (মীয়াম লৈঙাক) হায়রগা মীয়ামদগী লাপ্না লৈবা লৈঙাক অমা হেক হেক শেম্লক্পসিদা খন্দবা য়াদবা খল্লকই- ইন্দিয়াগী কন্ষ্টিট্যুসন'সিদা করি অশোয়বা য়াওবনো? মীয়ামগী অপাম্বা (থম্মোয় ৱা) অদু কনষ্টিট্যুসনসিনা হায়গদবনি। লৈবাক অসিগী খুৎপায় ওইবা লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক্তা হায়... ইন্দিয়া ইজ এ সোভরেইন, সোসলিষ্ট, সিক্যুলার, দেমো- ক্রেটিক রিপব্লিক। মশানা মশাগী লৈবাক ঙাকচরবা লৈবাক্লি হায়ননবা লাইরিকসিগী পন্দুপ কয়াদা পল্লি- লৈবাক ঙাক্লিবা গভর্ণমেন্টকী এজেন্সীশিংগী শক্তি অদু মীয়ামগী (মতমদুগী) অপাম্বা মতুংইন্না হাপ্পনি। অদুগা হায়রিবা শক্তি অদু কনাগুম্বা খরগী খুৎতা লেঙদনা লৈহন্দনবগীদমক, মরক মরক (চহী মঙা খুদিংগী) মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না হোংদোক্লবা তাঞ্জা পীবনি। মরল লৈবা লৈতবা, লাইরিক হৈবা, হৈতবা, লায়রবা, ইনাকখুনবা থিদনা, কনষ্টিট্যুসন'না হায়- মী অমা, ভোট অমা- অমনা অমদগী হেন্দবা চপ মান্নবা ভেল্যু লৈগনি।

অদুবু লায়রবগী ভোট ইনাক খুনবনা লৈবগী থৌশিল অসিদগী নাম্থোক্লবা পাম্বৈদি মতাং অমত্তদা ইরমদে। শিন্নথোক্লম্মী, মীয়ামগী অপূনবা লিংজেলদা। লিংজেল অদু মাঙখিবদগীনি লায়রবগী ভোট মমল কাখৎলক্লিবা।

লৌশিং পুক্কে

# মহীক-মতাই হাৎনবা এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপ

খুৎশা হাম্নবা অমসুং ঈরু-মায়থজনবগীদমক কৈথেলদা য়োল্লিবা মহীক-মতাই হাৎপা ঙম্মী হায়বা এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপনা হকচাংদা অসুক্কী মতিক শোকহল্লি হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে।

ট্রাইক্লোসেন অমসুং ট্রাইক্লোকার্বোননচিংবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলম ১৯ হেন্না য়াওই খঙলকপদগী ফূদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্টেঅসন (এফ দি এ) না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অসিগুম্বা মখলগী সাপোনশিং য়োনবা থিংখ্রে। এফ দি এগী সেন্টর ফোর দ্রগ ইভালুয়েসন এন্দ রিছার্চ (সী দি ঈ আর) গী দিরেক্টর জেনেট ৱুদকোকনা হায়খি, মহীক মতাই অমসুং লায়না-তীলনা কয়া ঙাকথোক্লবগী মতাংদদি ইচম-চম্বা সাপোনগা এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপশিংগা চপ মান্নবা মওংদা মথৌ তৌই। নুমীৎ খুদিংগী মতম শাংনা শীজিন্নরক্লবদি এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপনা হকচাংদা অমাঙ-অতা থোক-হনবগী খুদম কয়া থেংনরে।



খুৎ-শা হান্বদা শীজিন্নরিবা এন্টিবে-ক্টেরিয়ল প্রদক্টশিং খুদম ওইনা ট্রাই-ক্লোসেন (লিক্বিদ সোপ) অমসুং ট্রাইক্লো-কার্বোন (বার সোপ) না বেক্টেরিয়ল রেজিষ্টেন্স থোকহ-নবগা লোয়ননা হোর্মোনদা অকায়বা পীরকপদগী এফ দি এনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা কাঙলোন শেম্নবা থৌরাং লৌখৎখি। থৌরাং অদুগী মখাদা মেন্যুফেকচরিং কম্পেনিশিংনা এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপ শাবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদে হায়বগী চপ চাবা খুদম পীগদবনি। অদুবু হৌজিকফাওবার কম্পেনিশিংনা মতিক চাবা খুদম পীবা ঙমদবদগী এফ দি এনা এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপ য়োনবা থিংজিনখিবনি।

'জর্নেল ওফ এলর্জি এন্দ ক্লিনিকেল ইম্ম্যুনোলোজি'দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপ, টুথপেষ্ট অমসুং ইমুং শেংদোকপদা শীজিন্নরিবা মখল কয়াগী ক্লিনিং প্রদক্টশিংদা য়াওবা ট্রাইক্লোসেননা মীওইবদা এলর্জিগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।



হকচাংদা কান্নরবা মহীক কয়ামরুম ইন্টেষ্টাইনদা য়াওই। অদুবু ট্রাইক্লোসেননা অফবা মহীকশিং অদু হাৎতোকখিবদগী অনা-অয়েক পোকহল্লকপনি। থায়না মমাঙঙৈগা য়েংনবদা হৌজিক্কী মীরোলদা হিংলিবা অঙাংশিংগী ইন্টেষ্টাইনদা অফবা চীঙ্গাক য়াওবগী চাং শরুক অহুম হন্থরক্লে। মহীক মতাই হাৎনবা মখল কয়াগী এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপ পুথোরকপনা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি।

এলাইয়েন্স ফোর দ প্রুদেন্ট য়ুজ ওফ এন্টিবাইওটিক্সকী প্রসিদেন্টসু ওইবা বোষ্টোনগী টর্ফটস য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিনগী প্রোফেসার ষ্টুৱার্ট লেভিনা হায়খি, মরম চাদনা অরানবা মওংদা এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপ অমসুং এন্টি- বাইওটিক্স শীজিন্নবনা ষ্ট্রেপ্টোকোকস ন্যুমোনিয়া অমদি ঈ-কোলাইগী ষ্ট্রেন কয়ামরুম পুথোরকপদগী হীদাক চঙবা ঙমদবা দ্রগ রেজিষ্টেন্ট মাইক্রোব মশীং থীঙমদনা থোরকপনি। এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপতা য়াওবা ট্রাইক্লোসেননা শক্লোন হোংলবা অমসুং হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক শেমগৎপদা মতেং পাংই হায়না 'নেচর' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা ডো. ষ্টুৱার্ট লেভিনা ফোঙদোকখি।

টেনেসিগী মেম্ফিসতা লৈবা সেন্ট জ্যুদ হোস্পিটালগী রিছার্চর চার্লস রোকনা হায়খি, মদুদি এন্টি বেক্টেরিয়ল সোপতা য়াওবা ট্রাইক্লোসেননা হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক মখল কয়া থোরক্লবগী মরম ওইহল্লি। অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ট্রাইক্লোসেন অমদি অতৈ কেমিকেল খরনা থাইরোইদকী প্রোব্লেম অমসুং হোর্মোন ইম্বেলেন্সকী খুদোংচাদবা ওইহল্লকই হায়রি। হোর্মোনগী খল কায়রকপনা মরম ওইরদুনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল শোন্থরকপা, কা হেন্না নোয়থোরকপা অমসুং কেন্সর মখল কয়া ওইহল্লকপা য়াই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানগী রিছার্চরশিংনা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি এন্টিবেক্টেরিয়ল হেন্দ ৱাশ অমসুং দিশ ৱাশ অয়াম্বদা য়াওরিবা ট্রাইক্লোসেননা নাতোন অমসুং হকচাংগী অতৈ মফম কয়াদা ষ্টেফ ওরিয়স কৌবা বেক্টেরিয়া মখল অমা পৈশিল্লক্লবগী মরম ওইহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা ইনফেক্সন অমদি মী শিবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। মহীক মতাই হাৎনবা মচল য়াওই হায়রিবা এন্টিমাইক্রোবাইল সোপনা কান্নবা পীবদগী অমাঙ অতা থোকহনবনা হেল্লি হায়না মেট্রো হেল্থ মেদিকেল সেন্টরদা ইনফেক্সিয়স দিজিজগী স্পেসলিষ্ট ওইনা লৈবা ডো. মেলিসা ওসবোর্ননা ফোঙদোকখি।

মহীক-মতাই হাৎনবা কেমিকে- লশিং, মরুওইনা এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপতা য়াওবা কেমিকেলশিংনা ইনভাইরোনমেন্টতা চাউনা অকায়বা থোকহল্লি। হায়রিবা কেমিকেলশিং অসি নালাদা চেন্থখ্রগা ৱাটর সিষ্টেমদা তিনখিবদগী তুংদা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। হায়রিবা কেমিকেলশিং অদু মথং মথং চেন্থখ্রগা পাৎ-তুরেলদা তিনখিবদগী ঙানা চাশিনখিবা য়াই। ঙা অদু চারুবা মতমদা মীওইবগী হকচাংদা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকই। মরম অদুনা ময়াক কনবা কেমিকেল য়াওবা এন্টি- বেক্টেরিয়ল সোপশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নরোইদবনি।

# দ্রাইব চত্থবদা য়ু লিটর ১০ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরূ ফংনা মুত্থৎনবগী পান্দমদা কাদানা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থিনুঙ্গৈদা কাদা থিনুঙ্গৈ য়ুনিটনা ঙরাং থিনুঙ্গৈ ৱার্দ নম্বর ৫ গী এরিয়াদা দ্রাইব চত্থবদা য়ু লিটর ফাগৎখ্রে।

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থিনুঙ্গৈ ৱার্দ নম্বর ৫ গী য়ু য়োনফম অমদা দ্রাইব চত্থবা অদুদা য়ু লিটর ১০ ফাগৎপগা লোয়ননা মীওই অদুমচিন হংবদা য়ু থোংবা মফম অমদা মখা তানা থিরম্বদা য়ু থোংবদা শীজিন্নবা চাকনম তীন তরুক ফাগৎপা ঙমখি। কাদা য়ুনিটকী মীওইশিংনা দ্রাইব চত্থদ্রিঙৈ মনুংদা লৈকায় অসিমক্তদগী সাজন কৌবা চহী ২৩ রোম শুরবা মীওই অমনা খোন্দা থিবা, তাবা নুংঙাইতবা ৱাহৈ হায়রম্লগা লোয়ননা উশিৎ-থওইদবা ৱাফম কয়া থল্লকপদগী ৱাখল তামিন্নবা ময়ুমদা চৎখি। ময়ুমদা চৎলুবদা য়াম্না ফজদবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ চত্থদুনা লূপপু শিংনবা হায়বসি লৈবাক খুন্নাই শিংনবনি হায়না লৌই। ইমা-ইবেলশিংনা ৱারী শানবা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রবফাওবদা মঙক কনবগী মওংদা ফজদবা ৱাহৈ কয়া থল্লকখি। মীওই অসি হয়েং অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা কাদা হেদ ওফিসতা লাক্তুনা ৱাখল তামিন্নগদবনি। করিগুম্বা মখা তানা লাক্তবা থোক্লবদি কাদানা লৌখৎলকপা থবক খুদিং মশানা য়ানা লৌজগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# জেনিমসকী সী টি স্কেন য়াদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) হোস্পিটালগী সী টি স্কেন য়ারক্তবা থা অমরোম ফারে।

হোস্পিটাল অসিদা সী টি স্কেন য়ারক্তবা অসিনা মরম ওইদুনা লায়রবা পেসেন্টশিংদা খুদোংচাদবা কয়া চাউনা মায়োক্লরে হায়রি। হোস্পিটালদা অসিদা লায়েংবা লাক্লিবা পেসেন্ট কাঙবু খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরগী লৈঙাক্কী অমত্তা ঙাইরবা হোস্পিটাল অসিদা সী টি স্কেন য়ারক্তবা থা অমরোম ফারক্লে। হোস্পিটাল অসিদা অনাবা পুখৎলক্লিবা মীওইশিংনা অনাবগী সী টি স্কেন লৌবা মথৌ তারকপা মতমদা লন্নাই ক্লিনিক অমদি হোস্পিটালশিংদা শেল য়াম্না চাদিং তৌনা লৌনরি। জেনিমস হোস্পিটাল অসিদা সী টি স্কেন অসি য়ারিঙৈ মতমদা সী টি স্কেন অমা লৌবদা লুপা ১১০০ পীরম্মী। অদুবু লন্নাই ক্লিনিক অমদি হোস্পিটালদা সী টি স্কেন লৌবা মতমদদি লুপা লীশিং ১৭০০ গী মথক্তা লৌবা য়াওরি। মসিনা মণিপুরগী চীং অমদি লোইজি লোইয়াদগী অনাবশিং হোস্পিটাল অসিদা পুখৎতুনা লায়কন্নবা মতমদা হেন্না চাদিং তৌবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা জেনিমস হোস্পিটালগী ওথোরিটিনা হৌজিক য়াদদুনা লৈরিবা সী টি স্কেন অসি শেমজিনবীদুনা মদুগী কান্নবা মীয়ামদা ফঙহন্নবা আপিল তৌরক্লি।

# রিমস লূ-নান্না থম্নবগীদমক শেংবগী থবক চত্থখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): স্বাছতা পক্কাদাগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী কেম্পস অমদি বিল্ডিং লূ- নান্না থম্নবা শিৎ-শেংখ্রে।

রিমসকী পব্লিক রিলেসন ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, স্বাছতা পক্কাদাগী থৌরম রিমসতা থা অসিগী ১ দগী ১৫ ফাওবা চত্থগনি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না রিমসকী কেম্পস অমদি বিল্ডিংশিং শিৎ-শেংবগী থবক চত্থখ্রে। থা অসিগী ১৩ দা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসার অরুনকুমার, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি বিকালনা রিমসকী ফেকল্টি ষ্টাফ, ওফিসল, নর্স অমদি ষ্টাফশিং স্বাছতাগী ৱাশক লৌমিন্নখি। দিরেক্টর, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমদি ফেকল্টিশিংনা রিমস হোস্পিটালগী কেম্পসসু য়েংশিনখি।

স্বাছতা পক্কাদাগী থৌরম মনুংদা রিমসকী কেম্পসকী অকোয়বদা শিৎ- শেংখি। উ অকংবশিং লৌথোকখি। কেজুয়েল্টি, কোরিদোর, জুবিলি হোল, দেন্টেল কোলেজ, নর্সিং কোলেজসু শিৎ-শেংখি। এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোকসু লূ নালহনখি। হোষ্টেল তাবা লম্বীশিংসু শিৎ-শেংখি। হোষ্টেলগী শরুকশিংসু রিমসকী চীফ ৱার্দেনগী মীৎয়েং মখাদা শিৎ-শেংদুনা নালহনখি। কম্প্যুটর রুম, জুবিলি হোল, ঠিএটর কমপ্লেক্স, জিম খানা, জুবিলি হোল, এনিমেল হাউস, লোন্দ্রিনচিংবসু শিৎ- শেংখি। রিমসকী মেইন গেটকী মথক থংবা শরুকসু নীংথিনা শেংদোকখি।

# ১১শুবা মণিপুর এসেমব্লী মীখলদা মীরেপ ওইননবা ঙরাং নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রবশিং















